# [illegible]

[illegible]



[illegible]

## [illegible]

[illegible]



[illegible]

## [illegible]

[illegible]





[illegible]

## [illegible]

[illegible]




## SANALEIBAK QUIZ - No. 20

*Sanaleibak Quiz will publish in every Sunday. It is in the interest of the students and people of Manipur. The answers can be sent through **whatsapp No. 8830812368** within 15th August, 2026. Answers of the Quiz will be published on the 16th August, 2026.*

**Q. 1. How many bones are in the human ear?**

**Q. 2. Which philosopher wrote The Republic?**

**Q. 3. Which planet has the most moons in the Solar System?**

**Q. 4. What is the integral of cos x dx?**

**Q. 5. Which operatic voice type lies between soprano and contralto?**

***Answers of the Sanaleibak Quiz No. 19 (02-08-2026)***

**Ans. 1.** Google.

**Ans. 2.** Google.

**Ans. 3.** Drake.

**Ans. 4.** Battleship Potemkin.

**Ans. 5.** China.

## [illegible]

[illegible]



[illegible]



[illegible]

[illegible] 9366310922 [illegible] sanaleibakdaily2008@gmail.com [illegible]

## ওসিগী রাষি ফল (০৯–০৮–২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চাওখৎপা ফগৎপা থৌরম খর পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা নুমিৎনি, লুচিংবশিংনা চনবীগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** হেন্না লুশিন্না খনবা, অহিং তুম্বা মপুং ফাদবা ওইবা নুমিৎনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। লম্লানবশিংনা চানবীরগনি। ইমুং মনুং চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**মিথুনঃ** হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনগনি। থবক খরদি মায় পাক্লগনি। তিন্নবশিংনা মতেং পীবীবা মরুপ মফম ফগৎপা ওইরগনি। লম চৎপদি চেকশিনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** খৎননিংবা অশাওবা লোয়নরগনি, গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শোক্তনবা হোৎনজগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি ইমুংদা শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিনগনি।

**সিংহঃ** তিন্নবশিংনা ওইজবা লৌখিবা, তোখাই তাবা য়েং শিনবা হেনগৎপা নুমিৎনি। মীচং শোন্থবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – চরাংনগনি।

**কন্যাঃ** পুক্নিংদা লৈতাদবা, নিংহন্নবা তৌরগনি, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা, মীয়াম্না নুংশিবিবা, লম্লানবশিংনা চানবীবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**তুলাঃ** থৌরম অয়াম্বা মায়পাকচবা, শেল ফংবা, মিংচৎ হেনগৎপা, উপাই তৌবীবা য়াম্বা, চৎখোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা, ধর্ম্মগা মরী লৈনবা পাঙথোকপা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**বৃশ্চিকঃ** অশাউবা, খৎননিংবা, অরুবা থবক্তা চয়েৎনবা ওইগনি। ৱাখল খল্লগা থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। লম চৎপা, গাড়ী থৌবদা চেকশিনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**ধনুঃ** থবক খরদি মায়পাক্লগনি। মিংচৎ হেনগৎপা, লুচিংবশিংনা চানবীবা, মতেং পীবীবা য়ামখৎপা, চৎখোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত মান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**মকরঃ** হেন্না লুশিন্না খনবা নুমিৎনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি। য়েংশিনবা য়াম্বা, শাগৈনা কল্লকপা ওইরগনি। লমতু চৎপা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চংলোই।

**কুম্ভঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। লম্লানবশিংনা চানবীবা, নক্লবশিংনা য়েংশিনবা নুমিৎনি। চেকশিঞ্জগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– চরাংনগনি।

**মীনঃ** খনবা নংহৌদবা অশাওবনা ওইজবা কয়া মাংজগনি, অকনবা ৱাহৈ–ৱাতা শিজিন্নদবা ফগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নরোই।
মহৈরোয়শিংগী – পূক্নিং লাংতক্লগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1044**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 5 | | 6 | 4 | 9 | |
| 8 | | | | | 9 | | 6 | 7 |
| 9 | | | 7 | | | 8 | | 2 |
| 2 | 8 | | | 3 | | | 7 | |
| 7 | | | 2 | | 8 | | | 9 |
| | 5 | 9 | 4 | | | 2 | | |
| | 2 | 6 | | 7 | | | | 8 |
| | 9 | 8 | | 5 | 2 | | | |
| | | 7 | | 9 | | | 2 | |

সনা–সুদোকু–১০৪৪গী সোল্যুসন লমাই ৬দা

ৱারীমচা

# মংদা হঙ্গাম মরু পোকখায়দ্রি

*রাজকুমারী নয়নস্না দেবী*

মঙ্গীগী নুপী লৈখিদ্রে তাবদা মনেমশি ইবেমসনাদো নুংঙাইতবনা খম থেংখ্রে, তৌফম লাকফম অমত্তা খঙখিদ্রে। ঈরু মাইথজগে থৌরাং লম্বনি ঈশিং অশাবা খোঙহাম্বু চফুদু থাংদোক্লদুনা চেংহিদু হাথু হাথু অমুক শাহল্লমই, ঙরাং ফুৎখিবা চেংহিনি, খোংজাই নাপীগা জুবাকুশুম মনাগা কর্পুর মনাগা চম্প্রা মনাগসু হাপচিল্লি, শংব্রে মনাসু পংয়াম য়ামদনা শৌগৎলকপদা মনা অমা অনী থাদৈ, অরাকপা খূদিংক্লা মনমসে নুংশি–নুংশি হায়নৈ। চরোৎ অঙৌবা মরাদি নহান ফুৎখিবা মখাক অদু পৎত্রিবনিনা অদুম য়াওহল্লি। লুম্বু লুম্বু শারবা চেংহীদু মকোক্তা হাপকে হেক তৌরকপা মতাংদুদনি। ময়ানুপা মবুংনা পোকপা মচাশক্লা অঙাং ওইরিঙৈদা মপামদা লৈশারিঙৈদা থৱায়নি খন্না য়োকচরকখিবা মঙ্গীনি। মবুংনা মচাশিং মথং মথং পোল্ল–পোল্লগা শিখিবদুদা অমুক হন্না শিদনবা অহল–লমল কয়া তান্নজদুনা হন্দক্তি মঙ্গী কৌরবদি মংদগী লেমহৌরনি হায়নদুনা মঙ্গী কৌখিবনি। মনেমসি ইবেম্মা থারিকনা ময়াবু নুংশিনা মঙ্গীসনা কৌজে। তাক্লল্লগা চৎখ্রে। পাউ হায়বা লাকপা নুপাদুনা মঙ্গীগী নুপী নুমিৎলৈ লৈত্রে হায়বসিদা থারিকস্নানা য়ান্নমক নুংঙাইত্রিবসি থোইদোক্লা লৈখিদ্রবী মঙ্গীগী নুপী নুমিৎলৈবু নত্তে, নুংশিরবা ময়ানুপা মঙ্গীস্নানা নুপী য়াওদনা মচা অনী নুপা মচা অমা নুপীমচা অমবু করম য়োক্তুনা য়ুম পালহৌগদগে খনবদা কা অমা হেন্না ৱাজখিবনি, মহাক্লদি খঙপোৎ নত্তে মঙ্গীস্না তোনানবদগী মশাগী নুপী মচাশিং লৈনা লৈনা লৈকাইদুদা মাগা হান্না লৈশারিঙৈদা খঙনখিবা থোইবীস্না মপুরোইবা শিখিদুনা মপামদা হেক হল্লকপা মীকুপ্তুদগী ফাও হায়বা য়াই মখোয় অনী অমুক হন্না খঙন–চান্নবা হৌনখ্রবনি। অদুনা মঙ্গীদি থোইদোক্লা মদোম তরক তরক য়ূম পালহৌগনি হায়বদি খল্লুদ্রে।

ৱাবমখৈ ৱারুরগা মনেমশি ইবেম্মা থারিকস্নানা ঈশিং অশাবা, চেংহী মনম নুংশিবা, লুম্বু লুম্বু শারবা, লোয়না হুন্দোক্লল্লে। মফম মরাং খঙদবমখৈ মপাম লমদম পাংলকখ্রে।

শুমাঙ য়ৌবদা ময়াম মরাং মরাং তৌনরদুনা কপ্লবা য়াও, লাউনবা য়াও, ইরাং হেক লাংলম্মী। শুমাঙ ময়াইদা নুমিৎলৈগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা লেঙদনা য়াতারি। নীংঙমহৌদ্রবা ময়াম অদু মথৌ মঙম পাং থোক্লবা মানা মানা থোকপা অঙম অঙম্বা হোৎনরি।

নুমিৎ তারুম তারুম তৌরল্লে, থারিকস্নানা ময়ুমগী দারী কাখৎপদা লেংঙম শাঙমদনা ময়ানুপা নুংশিজরবা মঙ্গীগী খল্লুবদা থম্মোয় পুবা য়াদনা নীঙমদা নীংঙমদা ময়ুম চংখিরম্মী। অহিংদুমসু তুম্বা ইয়া য়ারমদে। নোংমা অমা, নোংমা নীনি অমসু নত্তনা শাংলবা পুন্সি অসিদা মচা পীশকশিংদুগা নুপী য়াওদনা ময়ানুপানা লেনগদবা পুন্সিদুতা খনবদা চাক ঈশিংকা অমত্তা চঙখিদ্রে। তশেংবদি থরিকস্নাদো মশাদো ইনা নাদনা অনাবা লোয়নরে। তুম্মী নীংই, চারে খল্লি মাগী ৱাখলদো নুংঙাইথোকপা শুকঙম ঙল্লমদে। খল্লি অঙাং অনীদুনা করি চারমগদবা মপানা করি চারমগদবা ফিরোলনা কনানা শুবীগদৌরিবা চাক্লা কনানা থোংবীগদৌরিবা অঙাংনা কনানা ঈরুজবীগনি ইমুং মনুংনা কনানা ৱাইশিং লমশেংবীগদৌরিবা য়ুম পানবা হায়বসি তুরেল লৈঙোইমুক কুপ্পী হায়নরিবনি অহল–লমলশিংনা। মদুতা খনজবদা থারিকস্নাদো লৈতাফম খঙলমদে। তশেংবনি, মপুরোইবনা শিবদি কয়া ৱানদে ইবেম্মা নমং অনী শুগনুদো হায়নৈ, অদুগা নুপানা নুপী শিশ্রবদি নুপী অমা থীজিনবীবনা ফগনি হায়নৈ। মঙ্গীস্নাদি নুপী লৈখিদবসি অদুক ৱাবা হায়বদুদি য়ৌনা ৱাশিল্লুদে। লৈকাই লৈমিন্নবনিনা থোইবীস্না মঙ্গীগী য়ূমদা অশিবা হংবা লাকপা ওইনা চংথোক চংশিন অদুম মতৌনৈ। ময়ামদি থোয়না খঙনবা পোৎ নত্তে। মীওই অমা অনীনা চিংনজরবসু, মতেং পাংনবগী মওং ওইনা মঙ্গীগী ইমুং মনুংগী থবক ইনখাংসু মানা অদুম ঙম্বমখৈ তৌশিনবীরম্মী। মী অতৈনদি থোইবীস্নাসে ৱা খঙখ্রেদকো অৱাবা তারিবা ইমুং অসিদা মানা মতেং পাংবীরিবসে নৎত্রদবু মঙ্গীগী ইমুংদো পাইদুনা চৎখ্রগনিকা হায়নবা য়াওরিপোৎনি।

নোংমা নোংমা হৌজিনখিদুনা মঙানি লৈহুন লোয়খ্রে। লান্না থৌরম মনুংদসু মরী মতাশিংগা লৈকাইগী মীওইশিংগনা মতেং পাংবীদুনা মরাং মরাং হৌখিবা খঙহৌদ্রে। শোরাৎ নোংঙানবগী দিবস য়াওরম্মগা থারিকস্না মঙ্গীস্নাবু মকোক্তা নানবীদুনা না য়েক্কনুকো ইবুংঙো নচাশিং সিগা নঙগা তৌগদৌরিবসিবু করম থোল্লগবা ইনেমদি লৈফম খঙদ্রেদা হায়রল্লগা ময়ুম মায়কৈ পাংলক্লম্মী।

থারিকস্নানা ময়ানুপাদো তরক তরক লৈরমগনি খঞ্জদুনা য়ুমগী অয়ুক্কী থবক ইনখাং লোয়শিল্লল্লগা ঙাইহাক য়েংবীরুখিগে হায়দনা তহা তহা পরপ পরপ লাকপদা থোঙ্গাল হাইজিল্লকপদা মকোক মরুম খুমজনবী নুপী অমা শুমাঙ ৱাই তৈথোক্তুনা লৈরম্মী। কনানোনে অসিবো হায়না মৌ অনৌবীগী মতৌ তৌরিবসিবো হায়দুনা ফল্লপ ফল্লপ য়েংলদুনা থারিকস্নানা কৌরকই “হা ইবুংঙো মঙ্গী মঙ্গীস্না ইবুংঙো নঙবু লৈবরো”। মনেমসি ইবেম্মা থারিকস্নাগী মখোল তাবদা মঙ্গী তফিং তফিং চেন্থোরক্তুনা থোরকই। মনেমসি চিংনরপ তৌনা অতো ইবো অসিদি কনানোনে নঙগী শুমাঙ ৱাইশিং তুলসিবোং ৱাই তৈরিসিবো হংলম্মী।

মঙ্গী ইকায়রপ তৌনা ইনেমসি থোইবীস্নানিদা মা ঙরাং অহিংদগী ঐখোয়গীদা অদুম লৈরবনি হায়রল্লগা মমায় লৈথোক্তুনা ইকায়বা খাঙলমই। থারিকস্নানা হায়দি মাবু নঙনা…। অস ! ইবো ‘মংদা হঙ্গাম মরু পোকখায়দ্রি হায়’ নঙগীসিবো হায়দুনা ইঙক ঙক্লা য়েংদুনা লৈরম্মী।

ৱারীমচা

# লম্বী ৱারী হায়গদ্রা

**কাংজম রাধাকুমার**

‘চৎলগেরা?’

‘হোই, চৎলগে।’

‘হৌজিকমক?’

‘হোই, হৌজিকমক।’

‘থবক লোইরব্রা? লৈথনিংঙাই মরম লৈত্রবরা?’

‘নঙগী ৱাসি। ময়েক্তা হেক খঙহং হংজিল্লকসিদা খুম্বা নুংঙাইতে। নোংমা ওইনা খুল্লসিরা!’

‘নঙগী ‘নোংমা’ হায়দু কদায়দগী লাক্লনি? হৌজিক চৎলনি হায়রগা। ইবানী শুংথেঙ থেংনররোই হায়বা। ঙাইখো, নঙগী থবকপু পূল্লোই লোইরব্রা? চাউখ্রবা ঙকখ্রবা মফমসিদা করিমত্তা লৈত্রবরা?’

‘করি হায়সিগে। ঐনা চৎলগে হায়রিবসিবসু খোঙচৎ অমমুক হৌনবগীনি। চৎলগে থোরক্লিবসি নহাল মখৈ ঐনা মফমসিদা লৈবগী মরম থিবা হৌরক্লিবনি। হেন্না কুপ্পা থিবা হৌরক্লিবনি। থিবা চৎকদৌরিবনি। থৱায়গী কায়দোংফমগা হায়গদ্রা?’

‘খঙদ্রে করিনো– করম্বা খোঙচৎনো অদুদি?’

‘খঙদে হায়বনা চুন্নি। পাউখুম মপুং ফাদে। ঐগী পূক্লিংদা লৈরিবা ৱাহংসি ময়েক শেংনা লৈতবনা ওইবা তাই। পূন্সিসিদা অপেনবা পাউখুম ফংদবা ৱাহং কয়া লৈগদৌবা মানশিল্লক্লে। মানববু নত্তে লৈরিবনি। শেংনা খঙবা হায়ববু অমা লোইরগা অমমুক হৌবা খোঙচৎ নত্তে। অমা লোইদ্রিঙৈদা অমমুক হৌবৈ কৈদানি। অমসু অমসু থোনম্বা থোনম্বী হায়দো।’

‘নঙনদি ঐগী ৱাহংসি নুংহাইত্রিবা, নুংঙাইবা নুংঙাইতবা লুবা লুদবগী ৱা নত্তে। ঐনা হায়রিবসি চুমদ্রিংনি। লৌথুপ লৌকোই য়াওদনা। নঙনা মফমসিদা লৈরল্লিবসিগী মরম খঙলবা, মখা তানা লৈথনিংলকপসু য়াই।’

লৈবগা চৎপগসি ঐঙোন্দা ইশম শন্নবগুম্বা অমা কন্না তৌরি। চুন্না সুম মফমসিদা লৈবনঙাক পেন্দে। মসিদি হিংবা হায়দু নত্তে। অসুম হায়না ইশাদা ফাওই। হিংনিংই। ঐ হিংনিংই। সি ওইরবদি য়ারে হায়বদু য়ৌনা হিংনিংই। অদুনা ঐ চৎপদা লেপ্লে।’

‘ঐদি য়াহৌবদা ঙায়বদৌনা তৌরি। পুন্সিগী অয়ুক্কি। য়েংনিংলি। তানিংলি। অদুনা হায়নিংই য়েংবা য়াবমখৈ য়েংখিনি। তাবা য়াবমখৈ তাখিনি। নঙনা উদবা ময়াম অমা লৈরমখিনি। তাদবা ময়াম অমা লৈরমখিনি। ঐনা খনবদদি মফমসিদা খঙবগী অরোইবা লৈতে। অতাবী মরম অমা ইখঙ খঙদ্রবসু হিংবসি ঐদি ফনদুম নুংঙাই। সুম হিংনিংলি।’

‘লোকদাউন তৌরিবা মফমসিদা য়ূমদা ক্বারেনতিন তৌদুনা লৈবা, নাইতোম তাবা ঐ হৈনদে। ৱাই। য়ান্না ৱাই। খাঙবুদি খাঙই ঐঙোন্দগী মীয়ামদা শন্দোকখিনি হায়দুনা। মসিনা ঙসি ঙরাংতগী ৱানি। ফহনবা হিদাক শাদ্রিবা লায়না অসি লাকপা মতুঙগী ৱানি। হান্নদগী ঐ মীরক্তা লৈনা লৈনা নাইতোম তাই। রেলৱে ষ্টেসনদা, কৈথেলদা ঐ নায়তোম তাই। ইথন্তা লেপ্পী, ইথন্তা চৎলি। লৈমিন্নরিবশিংবু ঐ মশক খঙদে। মখোয়নসু ঐবু খঙদে। ঐ ইশাসু ইশানা খঙদে। য়ুমদসু ঐ নাইতোম তাই। অদুনা ঐ হৈনদে। ৱায়, য়ান্না ৱায়। নাইতোম তাবগী তিন্না থৱায় মরুদা চিকই। ঐ হিংবগী মহাও খঙদ্রে। শিরগা ফগদ্রা খল্লে।’

‘শিরগা নঙ পেল্লদ্রা? তশেনা পেল্লদ্রা?’

‘খঙদেনে। চাংয়েং তৌ য়াবা পোৎতি নত্তে। হায়দি শিদুনা য়েংলুরগা নুংঙাইত্রদি অমুক হন্দোকপা য়াবা পোৎ নত্তে হায়বা।’

‘অদুনি ঐনা হায়দি। হিংলিঙৈসিদা হিংহৌসি হায়বনি। অনীরক হিংবা য়াদে। পূন্সিসি অমত্তনি। অনী শুদে। লুনা তৌসি।’

‘হিংবা হিংবা হায়সি করম্না হিংববুনো? চুন্না শোর হোনবসিদা নত্তবা মহিংদু নৎত্রা? থৱায়না খোয়দাবা থবক অমা তৌদুনা মীসু নুংঙাইহনবা ইশাসু নুংঙাইজবা মহিংদু– হিংববুদি ঐসু হিংনিংই। মীদৌনা হিংনিংই। ঐসি মী হায়বা জীবদুনি হায়না খঞ্জদবা কুইরে।’

‘ঐ নঙবু মী অতৈদৌনা হিংনবা হায়দে। ইশাসু অদুমঙাই। ইশাগী ওইবা কৈদা অমদা হিংবা তাই। ইশাগী ওইবা কৈদাসিদা ইশাগী নত্তবা অমা য়াওরি। মীয়ামগী ওইবা অমা পল্লি। ঐ হায়বসিদা ইশা নত্তবা মীয়ামসু য়াওই। অদুনা অহানবদা ঐ–ঐ ওইনা হিংবা তাই। য়েংবা তাই। তাবা তাই। য়েংদ্রবদি করম্না উগদৌরিবনো? চুন্না তাবদা নত্তনা তানবা হোৎনবা তাই। খঙনবা হোৎনবা তাই।’

‘হোৎনৈ। হোৎপুদি হোৎনৈ। মীৎ নাকোংনদা নত্তনা। হকচাংগী ইন্দ্রিশিংনতা নত্তনা। পূক্লিং হায়বমসু লৈরি। উগল্লবা মমিৎ পান্দুনা। তাগল্লবা মনাকোং থাঙ্গত্তুনা। ৱাখলনা মশা পান্দুনা পাই। ঐগী অকোয়বদা লৈরিবা ময়ামসি ঐঙোন্দা তাবা মমি ওইনা য়েকথোকই। ঐ হায়বসি শুংয়াও য়াওদনা উনবসু হোৎনৈ। তাইবঙপানসিদা ঐগী অকোয়বদা লৈরিবশিংসি ঐ হায়বা প্রিজমসি ফাওদোক্তুনা ইদবদি য়াগদ্রা? পীক্লিঙৈদগী ঐ পুন্সিসি করিনো খঙনিংখি। মাগা ফম্মিন্ননিংখি। ৱারী ৱাতাই শামিন্ননিংখি। মসি ঐগী মঙনি। ঙসি ফাওবা হৌজিক ফাওবা মঙফাওনদ্রিবা। মঙসি পুদুনা ঙসিদি ঐ চৎলগে।’

‘ঐদি চৎখিরোই। লৈথখিনি। হিংথখিনি। তানিংলি। তাখিনি। য়েংনিংলি। য়েংখিনি। য়েংদনা করমনা উগদৌরিবনো? খঙনিংলি। খঙনবা হোৎনখিনি। নোংমা খঙলকপসু কনানা খঙবা। ঙসি নৎত্রবসু হয়েং। মফমসিদা তৌবা য়াবা য়ান্না লৈরি। লৈরি য়ান্না লৈরি।’

মফমসি মীনা থল্লি। চৎখিবা য়াও লৈহৌবা য়াও। ঙাইহাক্তা লেপ্লদে। মীয়াম অমসু থুংলবা উই। চৎলুরগা হল্লকপসু য়াওরিদ্রা? হান্না চৎহৌদ্রগা নংহৌররোইদবা মতাগুম চেনচৎ চৎপসু য়াওব্রা খঙদে। মফমসি মীনা পৃক পৃক শৌই। পুখ্রি মচাদা লৈবা হঙোই ওন্দ্রিবা হাচক্কুম। হঙোই ওনবসিবু অনীসি নত্তবা মওং অমনদি ঙল্লোইদ্রা?

শৈরেং

## লৌরিগদ্রা

*–রাজকুমারী মীনা*

অহিং কয়া অৱা কোঙ্গায় মরক্তা
ফৎখিদ্রবা জিরি লম্বীদুদা
হকচাং থক থক নীকপমখৈ
তাদা দ্রাইভরনা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা
ওন্থোকপা মওং অমদা পুবিরক্তুনা
ইম্ফালসি য়ৌরকখিবনি ঙমদ ঙমদা।
নখোয়না অমুক ফজৈগা ফজদেগা
খন্থোক্ক খঞ্জিনগ তৌদুনা
তোপ তোপ হেক থাদরগা অমুক ৱাহল্লি।
চাগেরা চারোইরা করি কান্নবা!
হাওগেরা হাওরোইরা লৈগদবা লৈয়ু।
অহিং কয়া থ্রোক থ্রোক লাওবা
ফৎখিদ্রবা লম্বীদুদা য়ারেক্তুনা লাকখিবনি।
ৱানা গাড়িদুদা তোংলগা য়ৌরকখিবনি।
কান্নদবদা পায়থোক পায়শিন শান্নরক্কনু
ইরাং লাংগনু, কোক শাই য়ান্নসু ৱাই
থম্মোয়সিনা হেন্নদুম ৱারৌবসু ফাওরকই।
ঐখোয়বু তাঙ্কক নায়না পুবিরক্লিবা
তাদা দ্রাইভরশিংবু ইকায় খুম্নবিয়ু
মখোয়বু নুংশিবা মীৎয়েং য়েংবিদুনা
অৱাৎ–অপাশিং মেনশিনবিয়ু মখোয়গীদমক
থৌনা হাপ্পিয়ু শৌগৎপিয়ু মতম পুম্বদা।
খংদেনে নথৌনা নরিংজেল য়াওদবা
নশা নশাগী নগুন মশক খঙজদ্রবা
করম্না ঙাকপী শেনবিগনি হায়বসু হৈত্রবা
নখোয়না কৎপা লৈরাং খুজোক্তুবু লৌরিগদ্রা
শাওরংন্না শোলহৌই আলু তিলহৌশিংদুনা।

## নরানগী দন্দিনি নঙগী

*–রন্ধির থিয়াম*

কপ্পু অপঙবা থম্মোয়,
পেন্না কপ্পু নঙদি,
নরালগী দন্দিনি নঙগী।
করিগী থাগৎলূই নঙনা,
মীখলদা মন্তিক্লদুনা পৈশাগা,
হৌজিক্তি মন্তিক্লরক্লেদো অমুক
মখোয়না নঙগী থৱায়গা
কপ্পু অদুনা পেন্না.
নরালগী দন্দিনি নঙগী
করিগী থাগৎলুই নাপঙবদো
করিগী থাগৎলুই মিত্তাঙবদো
করিগী থাগৎলুই লোন্থোক্তবদো।

## লম্মুক্লবা

*ওইনাম কামিনিকুমার*

কদোমদনো লম্বেলদুবু
নঙনা চৎলিবা
করম্বা পন্থুংনো তাল্লিবা?
য়ৌগে হায়না নীংলিবা
পূক্লিংগা লম্বেলগা শম্নরিব্রা?

অমম্বা লম্বেলদা চৎলিব্রা?
অঙানবা লম্বেলদবু চৎলিব্রা?
তিঙ্খং তুন্থৌ মরক্তুবু চৎলিব্রা?
সনানা ময়ূং কাবা
লুপানা মফেল ওইবা
লম্বেলদবু চৎলিব্রা?

চৎলু চৎলু লম্বী চৎলিবা
নঙনা চৎনিংবা লম্বীদা চৎলু
পন্থুং য়ৌরমদাইদা খঙলক্কনি
নঙনা চৎলিবা লম্বীদুগী।

## পোৎলূম

*ইনাওবি হুইরেম*

খঙহৌদনা ঐ লাকখিবনি মফমসিদা
মতমদুদদি ঐ ৱাখল খল্লমদে
শুরুংদুদা মীৎতি পাঙই, করিনোদি খঙদে।
ঐগী মতমদা থেংনরিবশিংসে
চপ মান্নে অপঙবশিংনি,
পূন্সি নৈনবা ইমুংসু থেংনরুদে
লৌশিং লাকএ
অমোৎ–অকায় ঊফুল মরক্তা লৈনিংদ্রে
নান্থোকফম মায়কৈ য়েংলি ঙায়রি তাঞ্জা।
ঐবু কোনশিনবিরক্কনু,
তীল লাই ভুট প্রেট ভাক্তনি
মৈরক্তা চৎপদা নাচুংবিদে কৈসু।
খনবগা থবক্কা মান্নরিঙৈ
কাং–খোং চাইরিবসে লুপচখিনি,
পুরসি পোৎশক্তো থিংলক্লোই কনাগীসু নত্তে
পূন্সি কয়া চেনশিল্লক্কনি য়াওজনবা।

## চিঠি

*নন্দ মৈতৈ*

ঐনা লৌই লাইরিকসে
মখল মখাগী লাইরিকসে
চিঠি ওইনা।
মখোয়গী মনুংদা
লিরবা নুংশিরবা য়াওরি
নৌরবা ফজরবা য়াওরি।
কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বা অমদা
লেপ্তে ইরি চিঠি
লেপ্তে থারি চিঠি
মখোয়গ মনুংদা
শাংল শাংলবা য়াওরি
তেল্ল তেল্লবা য়াওরি
চেখাওসে থন্না য়াওরি

## ঈচেল লৈবা লৈতবা

*রনবির সারুংবম*

ৱাংমা ৱাংমা তাহল্লম্বা
অমতা ওইনা উহনবা ঙমহন্দবা
তুরেলগী ঈচেল অসিনা
কংখ্রবা মতুং অসিদা
চেল্লিবা ঈচেলসিগী ঈশিং চামিন্নদুনসু
হৌমিন কামিন্নবা মরুপ মপাং
ইরোই ইচানি খনবা ঙমহন্দে
নূঙ লংনখি।
নাউরি কাপ্লখি।
হৌজিক্তি
থৎলম্বা ঈচেল কংখ্রবনিনা
পীক্লা তূংহৌবা ঈশিং
কন্দুনা শীজিন্নর’ তুংসিদা
নক্কদবা য়াদদুনা নক্করে
মরক থৎলম্বা ৱাখল
মতৎ মতৎ তত্তুনা
অমতা ওইররে নৌহৌনা।

## মায়থোং

*থোকচোম রেনু দেবী*

থেংলবা অহিংগী
ফজরবা থাজ
নোকমি নোকমি তৌবা মায়থোং
শন্দোরক্লিবা লূপাগী ইন্নফি
নীংশিংলকই উরগা মতমদুগী ৱারীশিংদো।
হল্লকউ য়াররোইদবা
খাম্বা য়াররোইদবা
মতমদুগী থাবলদো মফমদুগী ৱারীশিংদো
অমতংদি খাক্লি থম্মোয়নুংদা চেৎনা।
কনাসু খঙহন্দা
কনাসু উহন্দা
পীরমগনি নোংমদি ইখুৎনা
মাগী নুংশিরবা খূৎতুদা।

## থাবল অমদি নুমিৎ

*– ওক্রম মেমা*

‘নিংথৌ নুংঙাই–য়াইফবগী ৱারী তারবো?’
ইবেনগী নুমিদাংৱাইরম ৱাহংদা
তারে তারে খুল্লিঙৈ
নোংমদোলগী থাবলনা
মোমোন মোমোন লক্করি নুমিৎপু য়েংলগা,
হে ! নুমিৎ লাই
নঙগী মৈশাদা হুমাংনা চোৎলবা কয়ানা
ঐবু কয়াদা নুংশিনা শৈথারিবা

## লাতম

*–তোংব্রম শ্যামা*

ঐখোয় ৱারেপ লৌরসি
ঐখোয় অমুক্তা পুনশিন্সি
ঐখোয় য়াম্না চেকশিনসি
চেকশিনবা মতমনি হয়েংগীদমক।
মীতৌ তম্বা তোক্লসি
মীপাল তাংবা হৈরোইসি,
মীগী মমা ফজবী,
ওইবা য়ারোই, ঐখোয়গী।
মতম মাংহল্লগুমসি,
অপূনবনা পাঙ্গলনি,
নোংমদি নমশিনখ্রগনি তাবুনুংদা,
খোংদাফম লৈররোই মালেমদা।
য়ুমদাংবনা কৈনাখ্রনি,
ফম্ববু চল্লবা, হিপথখ্রনি,
মতম তঞ্জা লৈরিঙৈ,
থোরক্লে লাক্লো পাঙ্গলবশা।
তুংগী পোইরৈ য়েংদুনা,
য়াৎলল্লসি লাতম অমা
য়েক্লল্লসি কোক নাইদ্রবা মচুনা
ওইহৌসনু ‘পুৱারী’ তুংগী মীরোলগী।

## তাবুনুংদগী

### মণিপুরদা মোইরাং পর্বব

মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা মরুওইনা খম্বা থোইবীগী ৱারী অসিবু মোইরাং পর্বব হায়দুনা লিলা দ্রমা ওইনা শান্নদুনা পাম্না য়েংনরি। অৱাংবা থাক্কী কলা অমনি হায়না লৌনরি। হৌজিক্তি মসি খরা মুৎশিল্লক্লবসু লমদম অসিগী কলচরবু য়োকখৎপা পামজবা কাঙবুনা ৱার্কসোপনচিংবা তৌদুনা মোইরাং পর্বব অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনরি। আর্ট ফোর্ম অসি লমদম অসিগী লৈহাওদগী হৌরকপা মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা মশক লৈজবা আর্ট অমনি হায়না অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনরি। লিলা দ্রমা ওইনা মোইরাং পর্ববগী ৱারী অসি খোংজেম পর্ববগী শৈশক্তা, খূনুং ঈশৈগী শৈশক্তা পাম্না শক্করি অমসুং তানরি। অদুবু ২০শুবা চহী চাগী অঙনবা শরুক্তদদি মোইরাং পর্বব য়াম্না হন্থবা থাক্কী মীয়াম মমাঙদা উৎপদা হঙ্গৈইনবা আর্ট ফোর্ম ওইনা লৌনরম্মী। পামজবা খরনা উৎনবা হোৎনরবসু মীয়ামগী মরক্তা অথিংবা পীবা কাঙবুসু লৈরম্মী। মসিগী খুদম অমা ওইনা ১৯৩০গী মতমদা ডা. নিংথৌজম লৈরেননা এদিটর ওইদুনা মণিপুরদগী ছপা তৌদুনা ফোঙবা থাগী চেফোঙ ‘য়াকাইরোল’দা ফোঙখিবা পাউ অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি

*“১৭–৮–৩২ ইংদ একাদশি নুমিৎতা সাং ৱাঙ্খৈ খুনৌদ মী পুন্নমক্ল য়ূমদ শান্নহন্দ্রদুন লমহাংদ মাঙুব খন্দুনা কৈশামপাকী মোইরাং পর্বব শান্নবদ থোইবী থোক্তুনা জগোই শাব মতাং য়ৌরকপদ অমাংব চফু লংশিল্লক্তুনা কুম্মৈ অদু কায়রে। থোইবী শাবীগী মমাই মখূৎনচিংব মশা পূন্নমক অদো অমাংব অদু চোংই। অহানবদ তেংপাকনচিংব লঙশিন্দুন কাইনব হোৎনরমই। মাদুন কাইব ঙমদরদুন মমৈদ থবক অসি থোকহনখি। ভাবোক খরসু অমাংবদুন চোংখরে।। তৌরিব থৌওং অসিন শান্তি প্রিয় ওইব প্রজানদি মোইরাং পর্বব অসি পামদব তাই।”*

## মণিপুরী পাহ্থে –পাউরৌ, পাউতাক

- **তুথিরে কোর খারে চাবোক্লে হং চল্লে।**
  –নুপা অমা মতু থিরবদা নিংতম্বা মাঙলে, মচা পোল্লবদি মথৌ ময়াম্না অফা অপুন্নরে।
- **তুংগী লম্বী শাংলক্লে, মাঙগী লম্বী তেল্লক্লে।**
  –অহল ওইরক্লে পূন্সি লোয়রক্কদৌরে হায়বা তাকপা।
- **তুংগী পোমিৎ খঙবা (উবা) মীবু অশিংব কৌই।**
  –তুংদা ওইরক্কদবা খঙবা অশিংবা মী।
- **তুংদা নীংঙল্লকোইদব থবক খক তৌফদে।**
  –ফত্তবা, কান্নদবা থবক্লা তুংদা লাইমন ওইহৌগদব তৌবা ফত্তে।
- **তুংশিনবা হৈত্রবদি অখাঙবা পোৎ লৈতে।**
  –অফং অফংব লোয়শিল্লবদি পোৎ অমত্তা তুংশিনবা ঙমদে।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

- অফবা মগুন অমদি ৱাখল লৌশিং লৌবদা তন্থবা য়াদে।
- য়েক্লবদগী ওইরবসু তমজনিংঙাই ওইবা মগুনশিংদি লৌশিল্লু।
- হূদগীসু শিদয়াইগুম কান্নবদি লৌশিল্লু।
- অফবা তৌবশিংবু খুন্নাইনা ইকায় খুম্নে।
- করিগুম্বদা ঈরাৎ থৌনিজবা য়াবা মগুণসু য়াওদবা নত্তে।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

## মণিপুরী পাউখোঙ

৯৭৩) ফূম শাজৈ করিনো?
৯৭৪) ফুর ফুর মওং তাবা করিনো?
৯৭৫) ফুরগা চাওবা ফুদ্রগা পীকপা করিনো?
৯৭৬) মমাইনা শিৎলগা চৎপা জীবা করিনো?
৯৭২) মী অমগী পূন্সিদা করিবু মহৈ য়ানবা পূন্সিনি হায়গনি?

*(ঙসিগী পাউখোঙ লমায় ৬ তা ফোঙজরি)*

## মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক
## ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*(জর্নৈল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা ‘মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর’ হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

– জর্নৈল সিংহ

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা…)

### “পঙ্কচুয়েলিটিদা ৱাফম খরা (কম্মেন্টস)”

ঐগী ইন্টরভিয়ুগী মতাংদা দি সঙাই এক্সপ্রেসকী প্রিন্সিপাল কোরেসপোন্দেন্টনা ন্যুজ আইতেম অমা জুলাই ৩, ২০০৮দা ফোঙখি।

**অফবা ৱাখলগা লোয়ননা সিংহগী থবক লোয়শিনখ্রে**

“ মণিপুরগী প্রজাশিংনা ইন্সরজেন্সিদা লৈরম্বা মখোয়গী থাজবা অদু মাঙবা হৌরকখ্রে অমদি মসিগী সমাস্যা অসি লাক্লিবা চহী অনী নত্রগা অহুমসিগী মনুংদা লোয়শিল্লবা য়ারি। ঙাইবিয়ু অমসুং য়েংবিয়ু,মণিপুরগী মমাঙগী চীফ সেক্রেটরী জর্নৈল সিংহনা হায়খি।

য়াম্না পঙ্কচুয়েলিটি ওইবা ওফিসার অমা ওইনা মহাক্লা মীয়াম্বু করম্না উবগে হায়না হংবদা জর্নৈল সিংহনা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি সেনিয়র ওফিসারশিংনা মখোয়গী মথৌদা পঙ্কচুয়েল ওইনা চঙই অমসুং মখোয়গী মখা তাবা ওফিসারশিং অমসুং ষ্টাফতা মশাবু খুদম অমা ওইহনগদবনি।

মহাক্লা মখা তারকখি, ঐনা ফুল টাইম থবক শুবা পাম্মী, পার্ট টাইম পামদে’।

জর্নৈল সিংহনা হায়খি মদুদি ওফিসতা চৎপা অদুগা নুংতিগী অয়ূক পুং ৮.৪৫দগী থবক শুবা হৌবা অমসুং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০দা য়ূমদা হনবা অসি মহাক্কী রুতিননি, করি করিগুম্বা মতমদা মরুওইবা শিন্নরকপা থবক খক লোয়শিন্নবা মহাক্লা মহাক্কী ওফিস কাদা লেকপসু য়াওখি।

মহাক্লা চীফ সেক্রেটরী ওইরিঙৈদা হৌদোকখিবা অনৌবা থৌওংশিংগী মতাংদা মহাক্কী মীৎয়েং হংব মতমদা জর্নৈল সিংহনা হায়, মহাক্লা তৌখিবা খুদিংমক্তা চীফ মিনিষ্টরনা পীবা য়াবা মতেং পীখি অমসুং পূন্না তৌমিন্নখি, অমদি তৌখিবা থবকশিং অদুগী মহৈ ঙসি ফংলি, মদুদি মীংচৎ অদু চীফ মিনিষ্টরদগী হৌদুনা পূন্নমক্কীনি। মহাক্লা শন্দোক্লা হায়খি মদুদি মণিপুর গভর্ণমেন্ট কর্ম্মচারিশিংগী মিংগী লিষ্ট শেম্বদু অরুবা থবক অমনি। তৌইগুম্বসুং কর্ম্মচারিশিংদুনা মখোয়দা পীরিবা পোষ্টিং মফমদা চত্তবগী অশোয়বশিং অমসুং থবক লৌবদা অরানবা তৌখিবশিং অদু চুমথোক্তবা য়াখিদ্রবা অমনি। গভর্ণন্টেকী মেজর দিপার্টমেন্ট ৩৭কী মীটিং ১১১ লক গভর্ণমেন্ট কর্ম্মচারিশিংগী লিষ্ট অদু ফাইনেলাইজেসন তৌনবা ফমখি হায়না মহাক্লা হায়খি।

“ গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্টতা শেনজা থুমজা তৌবগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমদা হান্নগী চীফ সেক্রেটরীনা ফিলোজোফিকেল্লি হায়রকখি মদুদি মোরেল ইথিক্সসি ইমুং মনুংদগী তমগদবনি, ওফিসতগী তমগদবা নত্তে।”

মথং মথং…

# মীৎকুপ খুদিংগী হোংলিবা মালেম অসিদা লেপ্পা লৈতনা অহেনবা লৌশিং তানশিল্লিনবা মীওইশিংখক্তনা মায় পাকই



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
ঙসি লৈরিবা মালেম অসি মীৎকুপ খুদিংগী থুনা য়াঙনা লেপ্পা লৈতনা হোংলক্লি। মীৎকুপ খুদিংগী অহেনবা লৌশিং তানশিন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিং খক্তনা লানঙম ফিরান থেৎপা ঙমগনি। মরম অদুনা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা অহেনবা লৌশিং তানশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি)গী ৫৭ শুবা কনভোকেসন সেরিমোনিদা শরুক য়ারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, ঙসি লৈরিবা মালেম অসি মীৎকুপ খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা হোংলক্লি। লাক্কদৌরিবা চহী ২০ নৎত্রগা ৩০ অসিদা মালেম অসি করি ওইগনি হায়বা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা হায়বা ঙম্লোই। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা হৌজিক লৈরিবা অহেনবা লৌশিং তানশিনবগী অপাম্বা ঈহুল অসি লোইবা নাইদনা থমগদবনি। লেপ্পা লৈতনা অহেনবা লৌশিং তানশিনবা মীওই খক্তনা মায় পাকপা পুন্সি ওইবা ঙমগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিবু ৰাৎতা পাদবা খূৎকম পাঙ্গনবা লৈঙাক অমা ওইনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেপ্পা লৈতনা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি হায়না ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা সেক্টর কয়া নৌনা ময়োল চোংখৎলক্লি।


মালেমগী ওইনা খূৎকন পাঙ্গনবা লৈবাক অমগী দিফিনিসন অসি হান্নদগী য়াম্না চাওনা হোংলক্লি। ঙসি লৈরিবা মালেম অসিদা টেক্নোলোজিগী লমদা খ্বাইদগী খুমাঙ য়াঙশিন্না মায় পাকপগী লম্বীদা চংশিনবা ঙম্বা লৈবাক অদুনা মালেম অসিদা ঙসিদি খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমনি হায়না লৌনরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

সিমিকন্দক্টর সেক্টরগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা সিমিকন্দক্টরগী সেক্টর অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা পায়খৎলকপা সিমি–কন্দক্টর য়ুনিট কয়াদগী লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা সিমি কন্দক্টর প্রদক কয়া পুথোকপা হৌরে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাক্কদৌরিবা তেল্লবা মতম অসিগী মনুংদা মথৌতাবা চিপতগী হৌরগা সিপ ফাওবা লৈবাক অসিদা শাজবা ঙম্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মালেমগী ওইনা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স (এ আই)গী লমদা হেন্না খুমাঙ য়াঙশিন্না চংশিন্নরক্লিবা অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী ওইনসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না এ আইদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা আই আই টি ন্যু দেলল্লিদা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্সকা মরী লৈনবা ইনিসিয়েটিব কয়াসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোঞ্চ তৌখি।

### Crossword # 1111



Across
1. Vine fruit
6. Father
10. Intentions
14. Aired again
15. Aid in crime
16. Riding whip
17. "Carmen," e.g.
18. Central American country
20. Writing implement
21. Track event
23. Changes for the better
24. Overjoyed
26. Svelte
28. Radar spot
30. From now on
35. Vagrant
38. House pets
40. ____ deadly sins
41. Tied
42. Rubbish
44. Go first
45. Evaluates
47. Opera highlight
48. Goofs
49. Cut
51. French female
53. ____ code
55. Reduce
59. Defeated ones
63. Wood source
65. Lode yield
66. Lacking the ability
68. Stage parts
70. Blemish
71. Oolong and pekoe
72. Put into effect
73. Actor Sean ____
74. Gusto
75. Pub missiles

Down
1. Search blindly
2. Drive back
3. Stadium
4. Average
5. Glossy paint
6. Senate messenger
7. Borders on
8. Garden vegetable
9. Reach
10. Pinnacle
11. Tehran's land
12. Gelatin form
13. Resorts
19. Television awards
22. Proclamation
25. Certain steaks (hyph.)
27. TV collie
29. Formal procession
31. Free-for-alls
32. Completed
33. Back
34. Purposes
35. Towel inscription
36. Face shape
37. Greek letter
39. Asphalt
43. Actress ____ Berry
46. Not dull
50. Imitation
52. Ogled
54. Motorist's aid
56. ____ energy
57. Build
58. Cozy retreats
59. Speak imperfectly
60. Previously
61. Glance over
62. Merit
64. Take it easy
67. Hive dweller
69. "____ Clear Day..." (2 wds.)

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# লাক্লিবা চহী ২০২৯দা ৱুমেন রিজার্বেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা দিলিমিটেসন মথৌতাই হায়না কিরেন রিজিজুনা রাহুল গান্ধীদা পাউখুম পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইবগী মথক্তা লোক সভাগী লীদর ওফ দ ওপোজিসনসু ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ৱুমেন রিজার্বেসন থম্নবা হোৎনগদবনি। বিল অসিবু পাস তৌদুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা দিলিমিটেসনগা করি মরি লৈনবগে হায়না হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লাক্লিবা চহী ২০২৯দা ৱুমেন রিজার্বেসন ইমপ্লেমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিদা দিলিমিটেসন পাঙথোকপা মথৌতাই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হাউস ওফ দ পিপল অমদি ষ্টেটকী লৈরিবা লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা নুপী ওইবীশিংগী ওইনা রিজার্বেসন থম্বা হায়বা অসি লৈবাক অসিগী লৈরিবা কন্সটিট্যুসন (১০৬ এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০২৩ (নারি শক্তি বিধিনিয়ম)না পীবনি হায়বা অসি রাহুল গান্ধীনা খঙলবা ৱাফম অমনি।

হায়রিবা হাউস ওফ দ পিপল অমদি ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা নুপী ওইবীশিংগীদমক অহেনবা রিজার্বেসন থম্নবা হোৎনবদা হৌখিবা চহী ২০২৩দা পল্লিস তৌখিবা সেন্সস ফিগরগী মতুংদা ফোঙবা খ্বাইদগী ইনৌনৌবা সেন্সস ফিগরদা য়ূমফম ওইরগা রিজার্বেসন থম্বগী খোঙথাং লৌখৎকদবনি। মরম অদুনা ২০২৬কী মতুং খ্বাইদগী নৌবা সেন্সস দাটা অমা লৈবাক অসিগী ওইনা পল্লিস তৌননবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

কাষ্টতা য়ূমফম ওইরগা সেন্সসকী ফিগর লেপকদবা অদুনা মরম ওইরগা অনৌবা সেন্সস ফিগর পল্লিস তৌবদা মতম লৌবনি। হায়রিবা অপনবশিং অসিনা ৱুমেন রিজার্বেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা মতম থিন্থবনি। লাক্কদৌরিবা ২০৩৪গী জেনরেল ইলেক্সন ফাওবগী মমাঙদা লৈবাক অসিদা ৱুমেন রিজার্বেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙমদবগী ফিভম লাকপসু য়াই।

মরম অদুনা লাক্লিবা চহী ২০২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা ৱুমেন রিজার্বেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক খ্বাইদগী নৌনা ফোঙবা সেন্সস ফিগরদা য়ূমফম ওইরগা দিলিমিটেসনগী থবক অথুবা মতমদা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা কয়া লৈ। ৱুমেন রিজার্বেসন থম্নবগী মতাংদা তঙাইফদবা মথৌতাবা চৎন কাংলোনশিং লোক সভাদা কন্সটিট্যুসনগী এমেন্দমেন্ট য়াওবা দিলিমিটেসন বিল ২০২৬ লৈঙাক্না ইন্ট্রোদ্যুজ তৌখিবা লৈখ্রে। অদুবু ইনিদয়া লৈঙাক্না লোক সভাদা ইন্ট্রোদ্যুজ তৌখিবা কনষ্টিট্যুসন (১৩১ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ মায়থিবা নংখি হায়না কিরন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা নুপী ওইবীশিংদা অহেনবা রিজার্বেসন থম্নবগীদমক ইনিদয়া লৈঙাক্না পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখিবা ৱুমেন রিজার্বেসন বিল ২০২৩ অয়েৎপা য়াওদনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী সপোর্ট তৌদুনা পাস তৌখিবা লৈখ্রে। ৱুমেন বিরজাবেসন বিল ২০২৩ পাস তৌখিবা চহী ৩ ফাজিলক্লবা ফাওবা ঙসি ফাওবা লৈবাক অসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙমদনা লৈরি। ৱুমেন রিজার্বেসন থম্নবা হোৎনবদা করিগীদমক্তা দিলিমিটেসনগা মরম চাদনা মরী লৈনহল্লক্লিবনো। ২০২৩দা পাস তৌখিবা ৱুমেন রিজার্বেসন বিল অদু কন্দিসন অমত্তা থমদনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগী মিং পল্লদুনা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী এক্স একাউন্টগী খূৎথাংদা ফোঙদোরকখিবনি।



# বোর্দর এরিয়াদা কিলোমিটর ৫০গী মনুংদা প্রোজেক্ট পায়খৎলবদি অয়াবা লৌগদবনিঃ এম ঐচ এ



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮(এস এন এস)ঃ
লৈবাক অসিগী বোর্দর এরিয়াশিংদা কিলোমিটর ৫০গী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা প্রোজেক্ট পায়খৎলবদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স (এম ঐচ এ)দগী তঙাইফদনা অয়াবা লৌগদবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না বোর্দর এরিয়াশিংদা পৱার নৎত্রগা ইনর্জিগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা মথৌ তৌরিবা ইঞ্জিনিয়ার, ৱার্করশিংগীদমক্তসু হোম মিনিষ্ট্রি চৎন–কাঙলোন কয়া শেমখ্রে।

পাকিষ্টান, চাইনা অমসুং বাংলাদেশনচিংবা ইনিদয়াগা য়ুমলোন্নরিবা ইন্দিয়াগী বোর্দর এরিয়াশিংদা থবক পায়খৎলক্লবসু সেন্টর গভণমেন্টদগী অয়াবা লৌদবা য়ারোই। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না বোর্দর এরিয়াদা প্রোজেক্টকী থবক থৌরম পায়খৎপা মতমদা তঙাইফদনা ষ্টাফশিংগী য়েংশিন্নবগীদমক পুলিসকী চেক পোষ্ট থমগদবনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী চঙলকপা ফোরেন্নরশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমগদবনি। থবক শুবদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা চথোক চৎশিন তৌবা মতমদসু মশাগী শক্তাকচে তঙাইফদনা উৎকদবনি হায়বনচিংবা চৎন–কাঙলোন কয়া শেমখ্রে হায়রি।

# ‘পুলিসকী কাহেনবা থৌওং ১দি দোনেসনগী শেনফম মাঙখিবগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমদি পি এম মোদিনা পাউখুম পীগদবনি’

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা জুলাই ২০দগী চথরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম ঙসি ফাওবা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি মহৈরোইশিংগী মথক্তা পুলিসনা চথখিবা কাহেনবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লৈরিবা এম পিশিংগী মাঙদা লেপ্পা ঙমদবা অমদি মীয়াম্না কৎলকপা য়াল্লবা শেনফম মফম খঙদনা মাঙখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈবদগীনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি জয়রাম রমেশনা ফোঙদোকখ্রে।

জয়রাম রমেশনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম নুমিৎ ১৫নি চুপ্না মথৌ পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি মহৈরোই অমদি ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা চংশিনবা খোঙজংদা শরুক য়াবা খোঙজংলোইশিংগী মথক্তা পুলিসনা চথখিবা কাহেনবা থৌওং অদুগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা লাক্তুনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈবদগীনি।

নোংজু মীফমগী লেমহৌরিবা সেসন ৪ অসিগী মনুংদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হাউসতা হিরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি।



হৌখিবা চহী ২০২০গী ফেব্রুৱারি ৫দা লোক সভাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিনা ট্রস অমগী মখাদা অযোধ্যা রাম টেম্পলগী মেনেজমেন্টগী থবক তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈরবসু ঙসি ফাওবা মীয়াম্না কৎলকখিবা য়াল্লবা শেনফম কয়া মফম খঙদনা মাঙখিবগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা হায়রিবা ট্রষ্টকী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা কাংথোক্তনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাউসতা শরুক য়াদুনা পাউখুম পীগদবনি হায়না জয়রাম রমেশনা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূৎথাংদা তকশিল্লকখিবনি।

# ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং হাৎপগী মরালদা মীওই অমা শিবগী চৈরাক পীখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা চহী ২০২১দা মহারাষ্ট্রগী পালঘাত দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা দহানু তলুকাদা মশাগী চহী ৯তা ঙাইরিবী পীক্লিবী নুপী মচা অমবু ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং তমথিনা হাৎতোকপীখিবগী মরালদা মীওই অমা মহারাষ্ট্রাগী কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

মহারাষ্ট্রা কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মীওই অদুগী মমিং প্রমুন এলাইজ প্রফুলা এলাইজ প্রমোদ রাত্না গোসে কৌই।

এদিসনেল সেসন জজ এ আর রহানেনা প্রমুল এলাইজ প্রফুলাবু শিবগী চৈরাক পীবগী মথক্তা ফাইন ওইনা লুপা ৭৫,০০০ থিনবসু খঙহনখ্রে।

এদিসনেল সেসন জজ এ আর রাহানেনা প্রফুলাবু ইন্দিয়ান পেনেল কোদ সেক্সন ৩০২ (মর্দর), ৩০৭ (এটেম টু মর্দর), ৩৭৬ (২)(জে), ৩৭৬ (২) (এন), ৩৭৬ -এ অমদি প্রোটেক্সন ওফ চিল্ড্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স (পোক্সো) এক্টকী মখাদা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটর রেখা এন হিপরালে অমদি জে এন সুরিয়া বিন্সিনা ইজৎ মাঙহনবগী থৌদোক অদু দহানুদা লৈবা বঙ্গরপদা খুঙ্গংদা হৌখিবা চহী ২০২১গী সেপ্টেম্বর ২৭তা থোকখিবনি।

লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদু ক্লাস ৪দা তম্লিবী মহৈরোই নুপী মচা অমনি। মহাকপু মনাক নকপদা লৈবা দুকান অমদগী পোৎ–চৈ লৈনবা মমানা থাবদা প্রমুলনা নুপীমচা অদুবু ফাদুনা ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং হাৎতোকপীখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

| সনা–সুদোকু–১০৪৩গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 2 | 5 | 8 | 6 | 4 | 9 | 1 |
| 8 | 4 | 5 | 1 | 2 | 9 | 3 | 6 | 7 |
| 9 | 6 | 1 | 7 | 4 | 3 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 | 1 | 7 | 6 |
| 7 | 1 | 3 | 2 | 6 | 8 | 5 | 4 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 4 | 1 | 7 | 2 | 8 | 3 |
| 5 | 2 | 6 | 3 | 7 | 4 | 9 | 1 | 8 |
| 1 | 9 | 8 | 6 | 5 | 2 | 7 | 3 | 4 |
| 4 | 3 | 7 | 8 | 9 | 1 | 6 | 2 | 5 |

### মণিপুরী পাউখোঙগী পাউখুম

৯৭৩) ঙাপ্রুম (ফুমদা লৈ হায়বগী ভাবতনি)।
৯৭৪) চফু শাবা
৯৭৫) লশিং (কাপ্পা)
৯৭৬) থরোই
৯৭২) পামজবা থবক অমা ফংবা, পামজবা নুপী অমা লৌবা, মরম মোকপা মতিক চাবা ইচা(শিং) লৈবনি।




# বস মথক মখা ওনবগী থৌদোক্তা মীওই ৮ লৈখিদ্রে, ১০না শোকখ্রে

সম্বা, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): হিমাচল প্রদেশকী সম্বা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা প্রাইভেট বস অমা মথক মখা ওনবগী থৌদোক্তা দ্রাইভর অমদি কন্দক্টর য়াওনা পূন্না মীওই ৮ লৈখিদ্রে, ১০না অশোক অপনা নংখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পু ৬:৩০ রোম তাবা মতমদা সম্বা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বৈরাঘরদগী সম্বা তন্না থৌরকপগী লম্বীদা দেবিকোথি এরিয়াদা লৈবা সলুন্স মোর মনাক্তা থোকখিবনি।

ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না পূন্না মীওই ১৮ তোংবা সর্মা বস সার্ভিসনা ওপরেট তৌবা বস অমা বৈরাঘরদগী সম্বা তন্না লাকপগী লম্বী পরিংদা লৈবা অকুৎপা কোঙ্কুত অমা থৈদোক্লবা হোৎনবদা হায়রিবা বস অদু মথক মখা ওন্দুনা লায়বক থিবা থৌদোক অদু নংখিবনি।

মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা খুদক্তা থৌদোক থোকপগা পুলিসতা পাউ পীবগা লোয়ননা মী কনবগী থবক চথখি। এন দি আর এফ, পুলিস, হোম গার্দ, ফয়ার সার্ভিস অমদি রিভিন্ন্যু দিপার্টমেন্টকী অপূনবা টিম অমনা রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবক মখা তানা চথবগা লোয়ননা অশোক অপন নংলবা মীওই ১০ অদুগী মনুংদা মীওই ৬ মনাক নকপা হোস্পিটালদা মথৌতাবা অনা লায়েংগীদমক পুখৎখি হায়না ফোঙদোরক্লি। সম্বা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে হায়রি।

# অসাম: ঈশিং ঈচাওনা লৈখিদবা মীওইগী মশিং ৯৮ য়ৌখ্রে



গুৱাহাতি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
অসামদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীওইগী মশিং ৯৮ শুখ্রে। অদুগা মীওই ১.৫৫ লাক্ষ হেনবা মীওই কয়া ঙসিসু ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা চৈথেং মায়োক্লদুনা লৈরি হায়না অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১৫দা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরম্বা অদু দিষ্ট্রিক্ট ১৩দা হন্থরক্লে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা গোলাঘাত দিষ্ট্রিক্টতা খ্বাইদগী চাওনা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরি। অসাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পূন্না রিলিফ কেম্প ৫৫ হাংদোক্তুনা মীয়ামনা থেংনরিবা অৱাবদা মতেং পাংলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# হৌখিবা চহী ২০২৫দা লৈবাক অসিদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক ঙাইরিবা পেসেন্ট ২০০ লৈখিদ্রে: সেন্টর

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা চহী ২০২৫তা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক ঙাইদুনা লৈবা পেসেন্ট ২০০ হেন্না লৈখিদ্রে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্না লোক সভাদা থমখ্রে।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট প্রটাব রাও যাধবনা লোক সভাদা পাউখুম ওইনা থমখিবা অইবা চেরোল অমদা চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা জুলাই ২৭ ফাওবদা লৈবাক অসিদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌনবগীদমক পূন্না পেসেন্ট ৭৩,৬৪৬ ঙাইদুনা লৈরি।

লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহী ২০২৫তা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌনবগীদমক ঙাইদুনা লৈরিবা লৈখিদ্রবা অপূনবা পেসেন্ট অদুগী মনুংদা ন্যু দিল্লিদা পূন্না পেসেন্ট ১৩২ লৈখিদে। লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না কিদনি ট্রান্সপ্লান তৌনবগীদমক ঙাইদুনা লৈরিঙৈ লৈখিদবা পেসেন্টগী মশিং দিল্লিনা মকোকথোংবা ষ্টেট ওইরি।


নেসনেল রেজিষ্ট্রি পোর্টেলগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ওইনা হৌখিবা চহী ২০২১দগী হৌদুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌনবগীদমক ঙাইদুনা লাকখিবা লৈখিদ্রবা পেসেন্টগী মশিং লৈবাক অসিগী কেপিটেল ন্যু দিল্লিনা ইহেন হেনবা থেংনরি।

২০২১, ২০২২, ২০২৩ অমদি ২০২৪দা ন্যু দিল্লিদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসনগীদমক ঙাইদুনা লৈবা মথঙ শিৎনা পেসেন্ট ১৭৬, ১১৮, ১৫৯ অমদি ১৪৮ ওইরি।

ন্যু দিল্লিগী মতুং কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসনগীদমক ঙাইদুনা লৈবা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈখিদবা পেসেন্টশিংগী মনুংদা রাজস্থাননা ২শুবা ষ্টেট ওইরি। অদুগা গৱা, মহারাষ্ট্রা, মধ্য প্রদেশ, হরিয়ানানা কিদনি ট্রান্সপ্লান তৌনবগীদমক ঙাইদুনা লৈরিঙৈ লৈখিদবা পেসেন্টশিংগী মশিং খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা ষ্টেট শীংগী মনুংদা চল্লি।

মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মতম কয়াগী মমাঙদগী মীয়ামদা ওরগান অমদি টিসু দোনেসন তৌনবগীদমক এৱ্যারনেস পীদুনা হায়রিবা নুং ঙাইতবা থৌদোকশিং অসি লৈবক অসিদা মখা তানা থোক্তনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়না হাউসতা পাউখুম পীখি।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ




খেন্নবশিং অসিগী পাউখুম পেজ ৭দা

## রসিয়াগী এটেকতা মীওই ৩ শিখ্রে

ক্যিব, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): যুকেয়নগী কোনুং ক্যিবগী অকোয়বা মফমশিংদা পোকখায়বগী থৌদোকশিংনা নিকহন্দুনা বিল্ডিংশিং, গাড়ীশিং অমসুং ইনফ্রষ্ট্রকচর শোকহন্দুনা রসিয়াগী মিসাইল এটেক অমদা ঙরাং নুমিদাং অঙাং ১ য়াওনা য়ামদ্রবা মীওই ৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়ামরুম শোকখ্রে।

এটেকশিং অদু যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা রসিয়াগী মিসাইল এটেক মায়োক্লনবা মালেমগী লৈবাকশিংদগী শৌগৎপা ফংনবা ৱারী শান্নবগীদমক সর্বিয়াগী বেলগ্রেদতা থুংখিবগা চখ্যরকখিবনি।

## সাউথ আফ্রিকাদগী মায়গ্রেন্ট লাক্ষ ১ হেন্না চেনখ্রে

জোহান্নেসবর্গ, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): ওথোরিটিজনা অন-দোকুমেন্টেদ মায়গ্রেসনগী মথক্তা চথুবা ওপরেসন অমা অমসুং করিগুম্বদা হিংশা থোকপা এন্টি-ইমিগ্রেসন প্রোটেষ্টশিংনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থা খরদা সাউথ আফ্রিকাদগী আফ্রিকান মায়গ্রেন ১৭৮,০০০ হেন্না চেনখ্রে।

মসি আফ্রিকাগী খ্বাইদগী মাঙজিনথাবা ইকোনোমিদগী চহী খরা অসিদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা মায়গ্রেন্ট চৎখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদগী অমনি। মশিং অসি মায়গ্রেন্টশিংনা হনখিবা ময়ূম লৈবাকশিংগী ওথোরিটিজদগীনি। মেগী অথেংবদগী থংনবা জিম্বাবৱেখক্তদা মীওই ১১৫,০০০ হেন্না হল্লকখি। অদুগা মীওই ৫৬,০০০ হেন্না মলাৱেদা হল্লকখি।

নাইজেরিয়া, ঘানা, মোজাম্বিক অমসুং লেসোথোদসু সাউথ আফ্রিকাদগী মখোয়গী সিটিজন লিশিং অমমম হেন্না হল্লকখ্রে হায়খি।

হন্দক্তা মায়গ্রেন্ট ৭০,০০০ হেন্না মোরোক্কোদগী স্পেনিস টেরিটোরি সেয়ুটাদা চেনশিলক্লবা হোৎনবগী থৌদোক লৈখ্রে। এপ্রিলদগী হৌনা মীওই ১৯০০০ রোম ওফিসিয়েল ওইনা দিপোর্ট তৌখ্রে হায়না চেরোল অসিদা সাউথ আফ্রিকানা ফোঙদোকখ্রে।

অঙাং লিশিং কয়া য়াওনা খঙহৌদনা য়াল্লবা মীয়াম লাকখিবা অদুগী মতাংদা এদভোকেসি গ্রুপশিংনা নুংনাঙবা ফোঙদোকখ্রে।

## দ্রোন এটেক অমগী নুমীৎ নীনিগী মতুং জর্মন মিলিটরি বেজ মথক্তা দ্রোন ২ পাইশিল্লকপা উখ্রে



লৈপজিগ, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): নোংপোক থংবা জর্মনিদা লৈবা মিলিটরি বেজ অমগী মথক্তা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা দ্রোন ২ পাইশিল্লকপা উখ্রে। মদু লৈবাক অদুগী নোংপোক্তা লৈপজিগ এয়ারপোর্টকী রনৱে অমগী মনাক্তা বোম হাপ্পা দ্রোন অমা ফংখিবা অদুগী নুমিৎ নীনিগী মতুংদনি হায়না ঙসি ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

জর্মনিগী আর্ম ফোর্সেসকী ৱাঙাংলোই অমনা বেলজিয়মগা তায়নবা ঙমখৈদগী কিলোমিটর ৩৫ লোম লাপ্পা নোর্থ রাইন-ৱেসফালিয়া ষ্টেটকী মেচেরনিকতা লৈবা মিলিটরি বেজ অদুদা শগোনশেনগী নুমিদাং পুং ১০ রেমা তাবদা দ্রোনশিং অদু পাইবা উখিবনি হায়খি।

হেক উবগা মিলিটরি পুলিস দিপ্লোয় তৌখি অমসুং হিরম অদু য়ুস্কিরচেন কৌবা নক্লবা টাউন অমগী পুলিসতা শিন্নখি। পুলিসনা থিগৎলি হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাবা মরিকুম্বা পীদনা হায়খি।

মেচেরনিকতা লৈরিবা বন্দেস্বেহর সাইট অদু মলিটরি হার্দৱ্যারগীদমক ইক্যুপমেন্ট অমসুং স্পিয়ার পার্টশিংগী হায় সেক্যুরিটি অন্দরগ্রাউন্দ ফেসিলিটি অমা লৈ অমসুং য়ু এস পেট্রিওট এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমসকী মেন্টেনেন্সকী থবক তৌবা পার্সোনেলকী বেজ অমনি হায়না জর্মন মেদিয়ানা হায়খি।

সিভিলিয়ান ফ্রেট অমসুং নেটো লোজিষ্টিক্স হব অমা ওইরিবা লৈপজিগ এয়ারপোর্টতা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা উখিবা দ্রোন অদু, জর্মন মেদিয়া রিপোর্টসকী মতুং ইন্না, যুক্রেনিয়ান এন্টোনোব এ এন -১২৪ কার্গো এয়ারপ্লেন কয়ামরুমগা নক্লনা ফংখিবনি।

## শান্তি ওইবা পি ও কে প্রোটেষ্টরশিংগী মথক্তা চথুখিবা ওপরেসনগী মতাংদা য়ু এননা পাকিষ্টানদা ৱার্নিং তৌখ্রে

য়ু এন, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): পাকিষ্টান-ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)দা শান্তি ওইবা প্রোটেষ্টশিংদা শরুক য়াবা মীওইশিংগী মথক্তা চথুবা থবক্কীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পাকিষ্টানদা ৱার্নিং তৌখ্রে অমসুং একাউন্টেবিলিটিগী দিমান্দ তৌখ্রে।

মসি মীয়াম পূনবশিংগী মথক্তা অথিংবশিং থমখিবা অমসুং ইন্টরনেট ককথৎখিবগী মতাংদা মখাতানা ঈরাং হৌখিবা অদুগী মতাংদগীনি হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

প্রোটেষ্টরশিং অদুগী মথক্তা চথুখিবা ওপরেসন অদুগীদমক য়ু এননা একাউন্টেবিলিটি দিমান্দ তৌরোইদ্রা হায়না হংলকখিবদা সেক্রেটরি জেনরেলগী দিপুটি ৱাঙাংলোই ফরহন হকনা ওথোরিটিজনা শোয়দনমক মীয়ামবু শান্তি ওইবা প্রোটেষ্টকী মখোয়গী হক পাঙথোকপা য়াহনগদবনি হায়খি।


ওথোরিটিজ পূম্নমক্না মফম খুদিংমক্তা শান্তি ওইবা প্রোটেষ্ট য়াহনবা হায়বসি মরুওই অমসুং মফম অসিদা থোক্লিবদুসু মসিনি।

শান্তি ওইবা প্রোটেষ্টতা য়াওবগীদমক মীওইশিং শোকপা তারবদি মদুগীদমক একাউন্টিবিলিটি মথৌ তাগনি হায়না হকনা পি টি আইদা হায়খি।

সেক্রেটরি জেনরেল অদুনা মাগী হায় কমিস্নারগী থবক অদু শৌগৎলি অমসুং মিষ্টর টর্কনা পুখৎলিবা ৱাফম অদু শোয়দনমক তাগনি হায়না ঐখোয়না আশা তৌই হায়না মহাক্না মখা তাখি। য়ু এন হায় কমিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটস ভোলকর টর্কনা হৌখিবা থাদা পি ও কেদা হেনগৎলক্লিবা ঈরাং অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি অমসুং প্রোটেষ্টরশিং অমসুং সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল অনিমক্তা শিখিবশিং অদু মপুং ফানা অমসুং মীচং মীখায় নাইদনা থিজিন্নবা দিমান্দ তৌখি।

য়ু এনগী মতুং ইন্না লেজিসলেটিব এসেম্বলি মীখলগী মাঙওইননা ৱাংনা উংখৎনরকখিবদগী জুনদগী হৌনা প্রোটেষ্টরশিংনা অয়াম্বা ওইনা অদুবু লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগী মীওইশিংসু য়াওনা মীওই কয়া শিখিবনি।

## হোর্মুজদা অবুধাবি নেসনেল ওইল কম্পেনি টেঙ্কর এটেক তৌখ্রে




অবু ধাবি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): য়ু এ ইগী ষ্টেটনা মপু ওইবা অবু ধাবি নেসনেল ওইল কম্পেনিগী টেঙ্কর অমা ষ্টেট ওফ হোর্মুজদা চৎলিঙৈদা ইরাননা এটেক তৌরকখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা য়ু এ ইনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা টেঙ্কর অদুনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা চৎলিঙৈদা মিসাইল অমনা টার্গেট তৌরকখিবা ইরানগী এটেক অদু কন্দেম তৌখ্রে। এটেক অদুদা মীশি-মীনা থোকখিদে।

ইরানদা লান অদু হৌখিবা মতুংদগী চয়োল অসিখক্তদা জহাজ ৩ য়াওনা হোর্মুজদা য়ু এ ই কম্পেনি অদুগী জহাজ ১৫ এটেক তৌরকখ্রে হায়না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা অবু ধাবি নেসনেল ওইল কম্পেনি অদুনা হায়খি।

## টাইফুন দোলফিনদা জপানগী ওকিনাৱাদা বিল্ডিং ১৪,০০০ পৱার ফংখিদ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): জপানগী খা থংবা ওকিনৱা প্রিফেকচরদা ঙসি থাংজ নুমিৎতা টাইফুন দোলফিন শিৎচিল্লকখিবদা মীওই ৫ শোকখ্রে অমসুং বিল্ডিং ১৪,০০০ হেন্না পৱার ফংখিদ্রে।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা চাইনাগী নোংপোক তোর্ব্বানদা থুংলদ্রিঙৈগী মাঙওইননা চাইনানা মখোয়গী হিথাংফমশিং অমসুং ফেরি রুটশিং থিংজিনখ্রে।

১৫ কে পি ঐচ (৯ এম পি ঐচ) য়াঙনা অৱাং নোংচুপ পাংনা শিৎতুনা ০৩০০ জি এম টিদা ওকিনাৱাগী কুমে আইলেন্দগী অৱাংনোংচুপতা ১৬০ কিমি (৯৯ মাইল)লোম লাপ্পদা নোংলৈ নুংশিৎ অদু লৈখি হায়না জপান মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা হায়খি।

অকনবা নুংশিৎ অদুনা মরম ওইদুনা অহল ওইরপ তৌবা মীওই ৩ তুবগা লোয়ননা মখোয় মীওই ৫ শোকখি হায়না ওকিনাৱান প্রিফেকচরেল গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

দোমেষ্টিক এয়ারলাইনশিং, এ এন এ অমসুং জপান এয়ারলাইন্সনা রিজন অদুদা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে। চাইনা নেসনেল মেটিওরোলোজিকেল সেন্টরনা টাইফুন দোলফিননা ঝেজিয়াং প্রোভিন্সকী ঝৌসাং সিটি অমসুং ফুজিয়ান প্রোভিন্সকী ফুন্দিং সিটিগগী মরক্তা নোংমাইজিংগী অথেংবা অমসুং নিংখৌকাবগী অঙনবা মরক্তা চাইনাগী নোংপোক থংবা অমসুং খা থংবা তোর্ব্বান পরিংদা য়ৌরকপা য়াই হায়খি।



## ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ / BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook bearing Account No 37017751503 issued by State Bank of India, Thoubal Branch on my way in between Wangkhem Bazar to Thoubal Bazar on 29th July 2026.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Miss Samira Sahani
Thoubal wangkhem
Mobile No. : 7005720114

SL/Nute/09


**পেজ ৬কি অয়েকপা লাই অনিদুগী খেন্নবা**
১) তুপী, ২) মায়থোঙ, ৩) মকোয়, ৪) উচেক,
৫) থাঙ, ৬) ঘরি

**ꯄꯦꯖ ꯶ꯀꯤ ꯑꯣꯏꯦꯛꯄ ꯂꯥꯏ ꯑꯅꯤꯗꯨꯒꯤ ꯈꯦꯟꯅꯕ**
꯱) ꯇꯨꯄꯤ, ꯲) ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ, ꯳) ꯃꯀꯣꯏ,
꯴) ꯎꯆꯦꯛ, ꯵) ꯊꯥꯡ, ꯶) ꯘꯔꯤ

### ক্রোসৱার্দ ১১১১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | R | A | P | E | | P | A | P | A | | A | I | M | S |
| R | E | R | A | N | | A | B | E | T | | C | R | O | P |
| O | P | E | R | A | | G | U | A | T | E | M | A | L | A |
| P | E | N | | M | E | E | T | | A | M | E | N | D | S |
| E | L | A | T | E | D | | S | L | I | M | | | | |
| | | | B | L | I | P | | A | N | Y | M | O | R | E |
| H | O | B | O | | C | A | T | S | | S | E | V | E | N |
| E | V | E | N | | T | R | A | S | H | | L | E | A | D |
| R | A | T | E | S | | A | R | I | A | | E | R | R | S |
| S | L | A | S | H | E | D | | E | L | L | E | | | |
| | | | | A | R | E | A | | L | E | S | S | E | N |
| L | O | S | E | R | S | | T | R | E | E | | O | R | E |
| I | N | C | A | P | A | B | L | E | | R | O | L | E | S |
| S | C | A | R | | T | E | A | S | | E | N | A | C | T |
| P | E | N | N | | Z | E | S | T | | D | A | R | T | S |






## য়ু এস সিনেটনা রসিয়া সেঙ্কসন্স বিল পাস তৌখ্রে ইন্দিয়া, চাইনাগী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ লৌরকপা য়ারি

ৱাসিংটন, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমসুং চাইনা য়াওনা রসিয়াগী থাও অমসুং নেচরেল গ্যাস খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক ৫গী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ লৌনবা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পপু অয়াবা পীগদবা বিল অমা য়ু এস সিনেটনা এপ্রুব তৌখ্রে।

সিনেটনা ভোট ৮৬-১১দা বিল অদু এপ্রুব তৌখি। হৌজিক বিল অদু এপ্রুভেলগীদমক ওগষ্ট ৩১দা অমুক হন্না ফমগদৌরিবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসতা চৎখ্রগনি। ইন্দিয়া অমসুং চাইনাদা নৎতনা রসিয়াদগী ওইল অমসুং গ্যাসকী মকোকথোংবা ইম্পোর্টর ৫গী মনুংদা অজরবৈজান, হঙ্গেরি অমসুং স্লোভাকিয়া য়াওরি।

অমরোমদা বিল অসিনা রসিয়াদগী মাখোয়গী নেচরেল গ্যাসকী চাদা ১৫ য়ৌদনা ইম্পোর্ট তৌবা অমসুং মখোয়গী ইম্পোর্টশিং অদু হন্থহন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎলিবা লৈবাকশিংগীদমক কোমথোক্লি।

লেজিসলেসন অসিদা পুটিন, সেনিয়ার রসিয়ান পোলিটিকেল অমসুং মিলিটরি লুচিংবশিং, রসিয়ান ফাইনান্সিয়েল ইনষ্টিট্যুসনশিং অমসুং রসিয়ান ইনর্জি প্রোজেক্টশিংগী মথক্তা সেঙ্কসনশিংসু য়াওরি। রসিয়ান ওইল অমসুং ইনর্জি রেভিন্যুজগী মথক্তা হৌজিক লৈরিবা আমেরিকান সেঙ্কসনশিং নাম্থোক্লবা হোৎনবদা মোস্কোনা শিজিন্নরিবা অরিবা, রিফ্লেগ ওইল টেঙ্করশিং টার্গেট তৌনবা য়ু এস সেঙ্কসন্স অদু বিল অসিনা পাকথোক চাওথোক্কনি।

## MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-99/1/23(C)/ Date: August 6, 2026

Revised Notification regarding Examination Centre arrangement for the FYUP 2nd Semester Examination, 2026(MAY)(NEP)

| Sl No. | Exam Centre | Roll Range / Roll Number |
|---|---|---|
| | **Bishnupur District** | |
| 1 | C.I.College, Bishnupur | 25340001-25340300 |
| | | 25400001-25400003 |
| | | 25500001-25500005 |
| 2 | Kumbi College, Kumbi | 25300001-25300424 |
| 3 | Mangolnganbi College, Ningthoukhong | 25410001-25410375 |
| 4 | Moirang College, Moirang | 25240001-25240344 |
| 5 | Nambol Laishram Sanoi College, Nambol | 25640001-25640478 |
| 6 | Thambal Marik College, Oinam | 25040001-25040455 |
| | | 25520001-25520193 |
| 7 | S.K. Women's College, Nambol | 25340301-25340514 |
| | **Churachandpur Districts** | |
| 1 | Churachandpur College, Churachandpur | 25020001-25020307 |
| | | 25250001-25250054 |
| | **Imphal East** | |
| 1 | Biramangol College, Sawombung | 25590001-25590857 |
| 2 | Liberal College, Luwangsangbam | 25030001-25030987 |
| | | 25110018-25110139 |
| 3 | Maharaja Bodhchandra College, Palace Compound | 25330001-25330239 |
| | | 25130001-25130161 |
| | | 25390001-25390100 |
| 4 | Modern College, Porompat | 25540001-25540233 |
| | | 25210001-25210048 |
| 5 | N. Birahari College, Khundrakpam | 25420001-25420393 |
| | | 25650001-25650009 |
| 6 | Ng. Mani College, Kurai Chairenthong | 25670001-25670047 |
| | | 25720001-25720266 |
| | | 25090001-25090023 |
| 7 | Shree Shree Gourgobind Girls' College, Khurai | 25390101-25390409 |
| 8 | Standard College,Kongba | 25260001-25260846 |
| | **Imphal West** | |
| 1 | Imphal College, Kwakeithel | 25320001-25320767 |
| | | 25290001-25290367 |
| 2 | Kamakhya Pemton College, Hiyangthang | 25310001-25310611 |
| | | 25460101-25460312 |
| 3 | Manipur College, Pishumthong | 25140501-25141067 |
| 4 | Mayai Lambi College, Yumnam Huidrom | 25460001-25460100 |
| | | 25430001-25430687 |
| 5 | Nongmeikapam Gopal College, Lamphelpat | 25140001-25140500 |
| | | 25170001-25170047 |
| | | 25630001-25630039 |
| | | 25070001-25070004 |
| 6 | Pravabati College, Mayang Imphal | 25490001-25490576 |
| 7 | Regional College, Lilong | 25200001-25200587 |
| 8 | Western College, Konthoujam | 25610001-25610223 |
| | | 25150001-25150039 |
| | | 25690001-25690017 |
| 9 | Highland National College | 25550001-25550015 |
| | | 25100001-25100024 |
| | **Jiribam District** | |
| 1 | Jiribam Higher Secondary School, Jiribam | 25180001-25180109 |
| | **Kakching District** | |
| 1 | Kakching Khunou College, Kakching Khunou | 25230301-25230614 |
| 2 | Kha-Manipur College, Kakching | 25450001-25450448 |
| | | 25190001-25190200 |
| 3 | Pole Star College, Wabagai | 25230001-25230300 |
| | | 25190201-25190379 |
| | **Kangpokpi District** | |
| 1 | Damdei Christian College, Motbung | 25470101-25470405 ( 25280004) |
| | | 25220001-25220081 |
| | | 25600001-25600008 |
| 2 | Kanggui Christian College, Kangpokpi | 25470001-25470100 (25360025, 25360026) |
| 3 | Presidency College, Motbung | 25080001-25080707 |
| | **Noney District** | |
| 1 | Tengkonjang Highre Secondary School, Noney | 25160001-25160173 (25260111, 25260147) |
| | **Senapati District** | |
| 1 | ASUFII Christian Institute, Punamei, Mao | 25120001-25120267 |
| 2 | Hill College, Tadubi | 25010001-25010187 |
| 3 | Mount Everest College, Senapati | 25580001-25580086 (25260666) |
| | | 25380001-25380025 |
| | | 25370001-25370016 |
| | | 25280001-25280031 |
| 4 | St. Xavier College, Senapati | 25360001-25360155 |
| | **Tamenglong District** | |
| 1 | Tamenglong Higher Secondary School, Tamenglong | 25620001-25620143 (25260043, 25260683, 25260127, 2526048, 25330022, 25330064, 25330063) |
| | **Thoubal District** | |
| 1 | Lilong Haoreibi College, Lilong | 25660001-25661043 |
| 2 | Thoubal College, Thoubal | 25710001-25710472 |
| | | 25730001-25730451 |
| | | 25740001-25740185 |
| 4 | Y.K. College, Wangjing | 25270001-25270450 |
| 3 | Waikhom Mani Girl's College, Thoubal | 25270451-25270870 |
| 5 | Yairipok Universal College, Wangkhem | 25270871-25271090 |
| | **Urkhul District** | |
| 1 | Pettigrew College,Ukhrul | 25570001-25570151 (25260461 , 25260336 , 25260762 ) |
| | | 25530001-25530008 |
| 2 | St. Joseph College, Ukhrul | 25440001-25440221 |
| | **Chandel District** | |
| 1 | United College | 25560001-25560363 |
| 2 | South East Manipur College | 25680001-25680147 |
| | **Tengnoupal District** | |
| 1 | Moreh College | 25560151, 25560145, 25560146, 25560147, 25560152, 25560150, 25560261, 25560217 |

Sd/-
(T. Shantikumar Singh)
Controller ofr Examinatio

SL/Sus/09

# অম্বাগী জয়দেব থোঙামনা সেনিয়র টাইতল লৌখ্রে


সেনিয়র টাইতল লৌখ্রবা জয়দেব


জুনিয়র টাইতল লৌখ্রবা বর্নোল্ড


স্পোর্টস ফিজিক্কী টাইতল লৌখ্রবা কিষন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডরস এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসি খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা খুরাই কালা বিদ্যা ভাবনদা ২৩শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০২৬তা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (অম্বা)গী জয়দেব থোঙামনা সেনিয়র টাইতল লৌখ্রে।

মণিপুরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা জিম ১৬তগী লাকপা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা বোদি বিল্ডরস ৩০না তোঙান তোঙানবা কেটোগোরি ৪দা পাঙথোকখিবা কন্তেষ্ট অসিদা অম্বাগী জয়দেব থোঙামনা সেনিয়রগী টাইতল লৌবা ঙমখি। সেনিয়র কেটোগোরি অসিদা ওগষ্ট জিম ন্যু চেক্কোনগী এম বর্নোল্ড মৈতৈনা অনীশুবা পোজিসন, আর সি সি ৱাই এ এস খুমন লম্পাক্কী মোহমদ ইষ্টিয়াক হুসেননা অহুমশুবা পোজিসন, সুপর জিম খুরাইগী রাজকুমার মঙালনা মরিশুবা পোজিসন অমসুং আর সি সি ৱাই এ এস খুমন লম্পাক্কী চান্দম বুলুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কেটোগোরিদা ওগষ্ট জিম ন্যু চেক্কোনগী এম বর্নোল্ড মৈতৈনা টাইতল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা সুপর জিম খুরাইগী রাজকুমার মঙালনা অনীশুবা পোজিসন, আর সি সি ৱাই এ এস খুমন লম্পাক্কী চান্দম বুলুনা অহুমশুবা পোজিসন, রোয়েল জিম নিঙোমথোংগী লাইশ্রম প্রিয়ানন্দনা মরিশুবা পোজিসন অমসুং লাইওন জিম খোংমন মঙজিলগী মৈস্নাম ঝলজিৎনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

মেন'স স্পোর্টস ফিজিকতা রোয়েল জিম নিঙোমথোংজাওগী কিষন নোংথোম্বমনা অহানবা পোজিসন, দি ফিজিক এম্পিয়র তিলিপতিগী পুশম অজাস খাননা অনীশুবা পোজিসন, এ৩ ফিটনেস খুরাইগী দব্লিউ কৈলাসনা অহুমশুবা পোজিসন, জিম অসিগী সিনাম হেমরাজ মীতৈনা মরিশুবা পোজিসন অমসুং দি ফিজিক এম্পিয়র তিলিপতিগী অব্দুল সোইব নাকিবনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টরস কেটোগোরিদা সুপর জিম খুরাইগী থাংজম কিরননা অহানবা পোজিসন, এক্স ফিটনেস ৱাঙ্খেগী শনাসম রঞ্জননা অনীশুবা পোজিসন, হকশেল জিম অয়াংপল্লিগী চেতন কুমার য়ুম্লামনা অহুমশুবা পোজিসন অমসুং আর সি সি খুমন লম্পাক্কী ঙাঙোম হেরোজিৎনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসিগী কন্টেষ্ট অসিদা লম্লাই এ সিগী এম এল এ খোংবানতাবম ইবোমচানা চীফ গেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডরস এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট থৌনাওজম মুহিন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মশক নায়বা মীওই কয়ানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মকোক মথং তাখ্রবশিংনা মনা মথুম পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

## য়াইস্কুল কাংখুৎনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা টিম ১৩না পুল-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরকখিবা লেট মঙশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুন্যাবতি মেমোরিয়েল লীগ কম নোকআউট কাঙ টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ৱিন্নর য়াইস্কুল কাংখুৎনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা য়াইস্কুল কাংখুৎনা ক্লাসা কৈনৌ কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৩-১৯দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কাংখুৎনা অহানবা হাল্ফতা ১০ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ স্কোর তৌখি। অদুগা রন্নরস অপ তাহৌরবা ক্লাসানা অহানবা হাল্ফতা ৮ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ১১ স্কোর তৌখি। টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সত্যাব্রত্ত, মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট মৈকাম জাদুমণি অমদি য়াইস্কুল কাংখুৎকী প্রসিদেন্ট লাইময়ুম ব্রজামণি শর্ম্মানা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

## কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মথং থাগী ২দগী ৫ ফাওবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী করাংদা লৈবা কে আই এস পি দব্লিউ এগী গ্রাউন্দদা ৩৭শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপামচাগী ওইনা কেজি ৬০ মখা অমসুং নুপীমচাগী ওইনা কেজি ৫৫ মখাদা লৈবা অমদি ২০১০গী সেপ্তেম্বর ৫ নত্রগা মসিগী মতুংদা পোকপা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ওনলাইনদা ফোর্ম পীশিনবগী অরোয়বা মতম থা অসিগী ২৫দা ওইরগা ফিক্সচর ড্রোনা থা অসিগী ২৭তা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি।

প্লেয়রশিংগী ৱেঠ ওনবনা থা অসিগী ১দা পাঙথোকপগা লোয়ননা টিম মেনেজর অমসুং কোচশিংগী মীফমসু নুমিৎ অসিগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তাবদা পাঙথোক্কনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াবগী ইন্ত্রি ফী লুপা ৫০০ ওইগনি হায়রি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী টিঐচ মোতিলাল (৯৬১২৮৩৪৯১৮) নত্রগা ওগর্নাইজিং সেক্রেটরী ঐচ নবা (৯৩৬৬৫৯৫১১৯)দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## অস্মিতা চালিহা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ

অস্মিতা চালিহা সুপর ৩০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোরিয়া মাষ্টরস ২০২৬কী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অস্মিতা চালিহানা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সট্লর রক্সিতা রামরাজবু মিনিট ৪৮ চুপ্লা শান্নরবা মতুং ২১-১৩, ১৬-২১, ২১-১৩দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ফাইনেলদা চাইনাগী হানগা থেংনরগনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদা হাননা কোরিয়াগী কিমবু মায়থিবা পীরমখি।

থা অহুমরোম মখূউদা অশোকপনা মরম ওইরগা পোত্থারুরবা মতুং চহী অসিগী জনুৱারী থাদা কম্পিটিসনদা অমুক হন্না হল্লকপা ঙমখিবী চহী ২৬ শুরবী অসিনা বি দব্লিউ এফ টুরগী শরুক অমা ওইরিবা মকাও ওপনদা সেমি ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি।

অস্মিতানা কোরিয়া মাষ্টরস অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেমগী ২২শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী জপানগী হিনা অকিচিবু মায়থিবা পীরমদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইনা মায় পাকপা ওইখি।

## অশিস যাদবনা ৱার্ল্ড অন্দর-২০দা মেদল লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চথরিবা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স অন্দর-২০ চেম্পিয়ন্সিপ্তা অশিস যাদবনা নুপাগী জেব্লিন থ্রোদা সিলভর লৌদুনা ইন্দিয়াগী মেদল একাউন্ট হাংদোকখিবগা লোয়ননা ইভেন্ট অসিদা ওলেম্পিক মেদলিষ্ট অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা নিরজ চোপ্রাগী মতুংদা মেদল লৌবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা জেব্লিন থ্রোৱর ওইখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অশিশ যাদবনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী থ্রোদা মিটর ৭৪.০৯ লংদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্না সিলভর মেদল লৌবদা লঙখিবা মিটর ৭৪.০৯ অসি চহী অসিগী মার্চ থাদা পাটিয়ালাদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ওপন থ্রোস কম্পিটিসনদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা থ্রো ওইনা মিটর ৭৪.৪৯ অদুদগী সেন্তিমিটর ৪০ শোত্থখি। ইভেন্ট অসিদা সাউঠ অফ্রিকাগী হেনদ্রিকনা গোল্ড লৌখি।

## ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীখল পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খন্ননবা মীখল মথং থাগী ৫দা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কে ইবোতোম্বী মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা এসোসিয়েসন অসিদা চাং নায়না রিন্যুৱেল ফী থিরিবা এফিলিয়েট তৌরবা ক্লব অমদি য়ুনিটশিংনা মখোয় মখোয়গী মীহুৎ অমমম থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা থাগৎলক্কদবনি।

অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতগী নুংথিল পুং ৩ তাবদগী খঙলবা য়াগনি হায়না চেরোল অদুনা অরোয়বদা খঙহল্লক্লি।

## দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুর গ্রুপ-এদা তাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ২৫দগী মথং থাগী ৯ ফাওবা চথগদৌরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা. বি সি রোই ট্রোফি টয়র-১দা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুর গ্রুপ-এদা তাখ্রে।

টয়র-১ অমসুং টয়র-২গী পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসি থা অসিগী ২৫দগী সেপ্তেম্বর ৯ ফাওবা বেঙ্গলুরুদা লৈবা বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মনা টয়র-১গী য়ূম্ব ওইরগা ছটিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা আরকে অশ্রম গ্রাউন্দনা টয়র-২গী য়ূম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

টয়র অনীমক্তা টিম ১৬ / ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ-৪ / ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গ্রুপকী ৱিন্নরশিং অদু সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

সিজন ৩গী মমাঙদগী হৌরকখিবা প্রমোসন-রেলিগেসন সিষ্টেমগী মতুং ইন্না ২০২৫-২৬ সিজনদা টয়র-১গী খ্বাইদগী মনিং থংবা টিম অনী ছটিসগর অমসুং ঝরখন্দ সিজন অসিগী টয়র-২দা শরুক য়াবগা লোয়ননা মমাঙগী সিজনগী টয়র-২দা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা টিম অনী উট্টর প্রদেশ অমসুং অসাম হন্দক্কী ইদিসন অসিদা টয়র-১দা শরুক য়ারি।

মমাঙ সিজনগী টয়র-১গী ফাইনেলদা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ৩-০দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

বেঙ্গলুরুরদা লৈবা বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মনা য়ূম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সিজন অসিগী টয়র-১গী কম্পিটিসনদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুর গ্রুপ-এদা কেরলা, তেলঙ্গনা অমসুং অসামগা পুন্না তামিন্নরি।

গ্রুপ-বিদা ৱেষ্ট বেঙ্গল, পঞ্জাব, কর্ণতকা, চান্দিগর, গ্রুপ-সিদা মিজোরাম, মেঘলায়া, তামিল নাদু, মহারাষ্ট্র অমসুং গ্রুপ-দিদা দিল্লি, গোৱা, ওড়িষা অমসুং উট্টর প্রদেশনা পুন্না তামিন্নরি।





চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ৩১দা অসামগা শান্নদুনা কেম্পেইন হৌদোকপগা লোয়ননা অনীশুবা মেটচতা কেরলাগা মথং থাগী ২দা অমসুং অরোয়বা গ্রুপ মেটচ ওইনা মথং থাগী ৪দা তেলঙ্গনাগা শান্নগনি।

১৯৬২দগী অহানবা ওইনা চথবা হৌরকখিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ টয়র-১ অসিদা মণিপুরনা ১৯৯৮-৯৯, ১৯৯৯-২০ অমসুং ২০২৫-২৬ সিজনদা অহুমরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা ১৯৯২-৯৩, ২০০০-২১, ২০০৪-০৫, ২০০৮-০৯দা রন্নরস অপ তাবা ঙমখ্রে।

## এন তোমচৌনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

উজবেকিস্থাননা য়ূম্ব ওইদুনা টাসকেন্তদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা এসিয়ন য়ুঠ এন্দ জুনিয়র ৱেটলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা এন তোমচৌনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি নীনিচনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬০গী কেটোগোরিদা এন তোমচৌনা স্নেটচতা কেজি ১১৬ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৫০ য়াওনা পুন্না কেজি ২৬৬ থাংগৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা টিতলি মাজিনা নুপীগী কেজি ৪৫গী কেটোগোরিদা সিলভর মেদল লৌদুনা মেদল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখিবনি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৬৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৮০ য়াওনা পুন্না কেজি ১৪৫ থাংগৎখি।

## সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা নুপামচাগী টিম ১১না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খা-শঞ্জেনবমদা চথরিবা ৪৬শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা ঐচ ভি এ অমসুং দি ভি এ, অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা এমিমাইদো অমসুং এন ৱাই ভি এনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ঐচ ভি এনা পাসিবু সেট ৩-০দা মায়থিবা পীখি। ঐচ ভি এনা অহানবা সেটতা ২৫-১৯, অনীশুবা সেটতা ২৫-১৪ অমসুং অহুমশুবা সেতা ২৫-২০দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এমিমাইদোনা এস সি ৱাই সিবু সেট ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৫, ২৫-১০)দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা দি ভি এনা পি ভি এবু সেট ৩-১ (২৫-১৮, ১৭-২৫, ২৬-২৪, ২৫-২২)দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদনা এন ৱাই ভিনা ইগলবু সেট ৩-০ ( ২৫-১৭, ২৫-১৭, ২৫-১৩)দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

## এ ঐচ এফ জুনিয়র এসিয়া কপকী ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ

থা অসিগী ৩০দগী মথং থাগী ১৩ ফাওবা চাইনানা য়ূম্ব ওইদুনা মোকিদা চথগদবা এ ঐচ এফ জুনিয়র এসিয়া কপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা অলটর্নেট প্লেয়র ২ য়াওনা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮না শাবা স্কৱাদ হোক্কী ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

দিফেন্দর অনমোল ইকানা লুচিংবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ হৌজিক হৌজিক নৌনা কোচ ওইনা হাপখ্রবা ফ্রেন্দরিক সোয়েজকী মীৎয়েং মখাদা বেঙ্গলুরুরদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্তরদা ট্রেনিং চথরিবনি।

এ ঐচ এফ জুনিয়র এসিয়া কপ ২০২৬ অসিগী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসিনা বেলজিয়ম টুর চৎখিবগা লোয়ননা মপাঙ্গল কনবা টিমশিংগা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা লম্বা তৌনখিবগা লোয়ননা বেঙ্গলুরুরদা লৈবা সাই সেন্তরদা মালেসিয়াগী অন্দর-২১ টিমগা ফ্রেন্দলি মেটচসু শান্নখ্রবনি।

সেলেক্সন অসিগা মরী লৈন্না কোচ ফ্রেদরিক সোয়েজনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোইশিং অসিনা থা খরগী মনুংদা অকনবা মওংদা হোৎনখিবগা লোয়ননা হিরম কয়াদা ফগৎলকপা ঙম্লি। সেলেক্সন অসি শান্নরোইশিংগী চাং নায়না লেপ্পা লৈতনা পীদুনা লাকখিবা মখোয়গী পার্ফোমেন্স অমসুং প্রেসরদা গেম প্লানশিং মখোয়না থবক্তা পাঙথোকখিবশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা খনখিবনি।

এ ঐচ এফ জুনিয়র এসিয়া কপ অসি এসিয়াগী ওইনা মশক নায়বা জুনিয়র হোক্কী কম্পিটিসন অমা ওইদুনা কন্তিনেন্ট অসিদা লৈরিবা মকোক থোংবা লৈবাক কয়ানা শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই কয়াবু ইন্টরনেসনেলগী অৱাংবা থাক্তা লম্বা তৌদুনা মখোয়গী হৈজ-শিংজবা পুম্নমক উংনবগী তঞ্জা পীগদৌরি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কম্পিটিটিভ ওইগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ঐখোয়না মায়োক্নবা লম্বা খুদিংমকপু ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিমনা এটেক্কিং হোক্কীদা মীৎয়েং থমদুনা টাইতল লৌনবা হোৎনগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮না শাবা স্কৱাদ লাউথোকপদা য়াওখ্রবশিং অদুদি গোলকিপরদা ভিভেক লক্রা অমসুং কুনাল তিৱাতিয়ানি। দিফেন্দরদা অনমোল ইকা (কেপ্তেন), রোহিট কুল্লু, চিরাগ, রভিন্দর, অসু মোরিয়া, সঞ্জিৎ টিরকে অমসুং সুগবিন্দরনি।

মিদফিল্ডরদা অদ্রোহিট ইকা, হরপাল, জিটপাল, মনমিট সিংহ রাইগা লোয়ননা ফোরৱার্দতা অজিৎ যাদব, প্রবদিপ সিংহ, গুরসেৱক সিংহ, অর্যান অমসুং লবনুর সিংহনি।

অলটর্নেট প্লেয়র অনী অদুনা অর্জুন সন্তোশ অমসুং রিটিক লক্রানি।

# মহৈরোইশিংগী খুদোল




TITLE : SAITAMA
**H. Loyumba Mangang**
Class-UKG - A
School: ST. XAVIER'S SCHOOL MOIRANG,



TITLE : FLOWER
**Mayengbam Thoungamba**
Class: I
School : Universal Students Academy


TITLE : LUFFY
**Loya Laishram**
Class: II
Roll No: 5
School :Premier English Academy



TITLE : SCENERY
**Eerik Ngairangbam**
Class: III
School :The Blossom School



TITLE : GAARA
**M. Ngamba**
Class: V
Roll No : 31,
Sec :B
School: Mother's Pride Academy




TITLE : LADY
**Ksh. Victor**
Class:V
Roll No: 30
School: Royal Education Centre



TITLE : BIRD
**M. Rishika**
Class: IV,
Sec: B
School :Royal Education Center.


TITLE : KHAMBA-THOIBI
**Princenanda Laishram**
Class: VI, Roll No: 5
School :Premier English Academy




TITLE : WOMEN
Name: **Konthoujam Lanchenbi chanu**
Class: VI
School : Pitambara English School



TITLE : BICH
**Metali Pheiroijam**
Class: VII,
School : Kindergarten montessori school

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, , RNI Registration No. 31350/ 77
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com